# য়ুক্রেনগী লান লোইশিনহন্নবা য়ুএন চীফ গুটরেজনা মথং চয়োলদা পুটিন অমসুং জেলেন্সকি উন্নরগনি





য়ুনাইটেদ নেসন্স, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী):
থা অনী শুরক্লবা য়ুক্রেনগী লান লোইশিলহন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী চীফ এন্টোনি গুটরেজনা মথংগী চয়োলদা মোস্কো অমসুং কিভতা চৎলগনি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৪ দা রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাখিবদগী ইষ্ট য়ুরোপকী লৈবাক অদুগী মীওই মিলিয়ন মঙা হেন্না লাঞ্জন্নখ্রে অমসুং মীওই লিশিং কয়া শিখ্রে। হৌজিক লাঙ্গোই চল্লবা মরিওপোল সিটিদা মখা তানা পন্দুনা লৈরিবা মীচম ১০০,০০০ দা করি থোক্লগদগে হায়বসিদা নুঙনাংনবা কয়া লৈরি।

গুটরেজনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রসিয়ন কেপিটেল মোস্কোদা প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগা উন্নগনি। য়ুএন চীফনা রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সর্গি লাভরোবকসু ৱারী শান্নগনি। মদুগী মতুং শগোলশেল নুমিত্তা গুটরেজনা কিভতা চৎকনি অমসুং মফম অদুদা মহাক্না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকি অমসুং ফোরেন মিনিষ্টর দমিট্রো কুলেবাগা উন্নগনি।

খোঙচৎ অনীমক্তা গুটরেজনা লান লেপহন্নবা অমদি মীয়াম্বু শাফগদবা মফমশিংদা হোন্দোকপদা মতেং ওইগদবা খোঙথাংশিং খন্নগনি হায়না ন্যু য়োর্কতা য়ুএন স্পোক্স পার্সন ইরি কানেকোনা ব্রিফিং অমদা হায়খি।

মহাক্না য়ুক্রেনদা অথুবা মতমদা মরা তপ্পা ফিভম অমা লাকহন্নবা করি করি তৌবা য়াগদগে হায়বসিগী মতাংদা লৈবাক অনীগী লুচিংবশিংদা ৱারী শান্ননবা থৌরাং তৌরি হায়নসু কানিকোনা ফোঙদোকখি।

রসিয়ানা লান্দারিবদু মহাক্না য়ুএনগী খ্বাইদগী চাওবা ফম অদু পায়রকপা চহী মঙাগী মতমদা খ্বাইদগী অৱাবা মতমনি হায়না গুটরেজনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা মহাক্না ওর্থোদোক্স ইষ্টরগী মাঙওইননা মীয়ামগী অৱা অনাশিং য়েংলগা নুমিৎ মরিনি লান লেপ্পবা আপিল তৌবদা কান্নখিদ্রবনি।

গুটরেজনা য়ুএনগী দিপ্লোমেটিক এনিসিটিব ওইনা নৌহৌননা লৌখৎলকপা খোঙথাংদা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা লৈরিবা লৈবাক অনীগী পার্মেনেন্ট মিশনশিংদা তোঙান তোঙানবা লেটরশিং শিন্নদুনা লৈবাক অনীগী লুচিংবশিংগা মহাক্না উন্নবগী ৱাফম খঙহনখিবনি।

রসিয়া অসি ভেটো শীজিন্নবা ঙন্বা পার্মেনেন্ট মেম্বর মঙাগী মনুংদা অমা ওইবনা য়ুক্রেনগী লান অসিগী মতাংদা য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা থোইদোক হেন্দোকপা খোঙথাং অমত্তা লৌখৎপা ঙমদনা লাক্লি।

হৌখিবা মার্চতা পাঙথোকখিবা জেনরেল এসেমব্লি ইম্মর্জেন্সি সেসন অমদা লৈবাক ১৪১ না লান অদুবু কন্দেম তৌবা অমদি রসিয়াদা কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা য়ুক্রেনদগী রসিয়ন ফোর্সশিং খুদক্তা মপুং ফানা হন্দোক্লবা তকশিনবা রিজোলুসন অমা শৌগৎখি।

য়ুএন পোলিটিকেল এফিয়র্স চীফ জেফ্রি ফেটমেননা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক থৌরাং তৌরিবা খোঙচৎ অসি য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ফিরেপ হায়বদি পিছ অমসুং সেক্যুরিটিগী ঐখোয়না উবা ফঙবা সিম্বোল অমনি। সেক্রেটরি জেনরেলগী খোঙচৎ অসিদগী কনামত্তনা অহেনবা দিভলপমেন্টশিং লাক্কনি হায়না হেঞ্জিন্না থাজবদি তৌরোইদবনি।

ৱাশিংতনদা লৈবা ব্রুকিংস ইন্সটিট্যুসনদা ভিজিটিং ফেলো অমা ওইনা লৈরিবা ফেটমেননা হায়খি, মদুদি সেক্রেটরি জেনরেলনা লৈবাক অনীগী লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নগনি হায়রিবসি য়াম্না মরু ওইবা খোঙথাং অমনি হায়না ঐখোয়না লৌগদবনি।

পনবা য়াবদি, য়ুক্রেনগী লান হৌখিবদগী গুটরেজনা মার্চ ২৬ তা জেলেন্সকিগা ফোনগী খুত্থাংদা অমুকখক ৱারী শান্নখিবদগী মখা তানা কন্টেক্ট তৌনবা লৈখিদে। রসিয়ানা লান্দারিবদু য়ুএনগী চার্টর ভাইওলেট তৌই হায়না য়ুএন চীফনা ফোঙদোকখিবদগী হৌজিক ফাওবদা গুটরেজনা ফোন তৌবদা পুটিননা রিসিপ্ট তৌবা লৈত্রি হায়রি।

# ‘শ্রীলঙ্কাগী শেল থুমগী ক্রাইসিস সোল্ভ তৌবদা মতেং পাঙগনি হায়না চাইনানা থাজবা পীরক্লে’



কলম্বো, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী):
প্রোটেষ্টরশিংনা চয়োল অহুম লেপ্তুনা ফম থাদোক্নবা দিমান্দ তৌরিবা শ্রীলঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টর মহিন্দ্র রাজাপক্সানা হায়খ্রে, মদুদি লৈবাক অদুনা মায়োক্নরিবা থুনা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তারিবা শেল থুমগী অরুবা ফিভম সোল্ভ তৌবদা মতেং পাঙগনি হায়না চাইনানা থাজবা পীরক্লে।

রাজাপক্সানা ইরাই নুমিত্তা চাইনিজ প্রাইম মিনিষ্টর লি কেকিয়াংগা ফোনদা ৱারী শান্নবদা বৈজিংনা ইথৎ লৈবাক অদুগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা অমদি সোসিএল ষ্টেবিলিটি পুরকপদা মতেং পাঙগনি হায়না থাজবা পীখিবনি।

চাইনাগী মহাক্কী লেঙমান্নবগা টেলিফোনদা ৱারী শান্নরবা মতুংদা শ্রীলঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টর রাজাপক্সানা হায়খি, মদুদি মহাক্না চাইনিজ প্রেমিয়র লি কেকিয়াংগা ৱারী শান্নবদা কান্নগদবা হিরম কয়া খন্নখ্রে।

শ্রীলঙ্কাগী মায়কৈদগী চাইনাদা লৈবাক অনীগী মতম শাংলক্লবা মরুপ মপাঙ ওইবগী মরী অদুগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোকখি। লোয়ননা বৈজিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী শ্রীলঙ্কাগী মীয়ামগী অৱা অনা কয়াদা মতেং পাঙলকখিবশিংবুসু নৌহৌননা নীংশিংদুনা থাগৎখি।

শ্রীলঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসনা ফোঙদোরকখিবদা চাইনিজ প্রেমিয়র লি কেকিয়াংগী মায়কৈদগী ৱারী শান্নবা অদুদা শ্রীলঙ্কানা হৌজিক মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং অমদি শীংনবশিং চাইনানা মুন্না খঙই অমসুং ইথৎ লৈবাক অদুগী মীয়ামগী অৱাবা কোকহনবদা অঙন্বা থাক্তা মতেং পাঙগনি হায়বা ৱাফম থল্লকখি।


থুনা মীৎয়েং চঙবা শেল থুমগী মথৌ তারিবা ইস্যুশিং সোল্ভ তৌনবা শ্রীলঙ্কান গভর্নমেন্ট অমসুং চাইনিজ গভর্নমেন্টনা পুন্না হোৎনমিন্নগনি হায়না চাইনিজ প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা থাজবা পীরক্লে।

পিএমওনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, লুচিংবা অনীনা ফ্রি ট্রেদ এগ্রিমেন্ট, শ্রীলঙ্কাগী ট্রেদ দিফিসিট হন্থহনবা অমসুং ইথৎ লৈবাক অদুদা চাইনিজ টুরিষ্ট হেন্না লাকহন্নবগী মতাংদা মখা তানা ৱারী শান্নবগী ৱাফমসু য়ান্নখি।

বৈজিংনা শগোলশেল নুমিত্তা শ্রীলঙ্কাদা ইম্মর্জেন্সি হ্যুমেনিটরিয়ান মতেং ওইনা আরএমবি মিলিয়ন ২০০ পীরগনি হায়না লাউথোকখিবা মতুংদা চাইনিজ প্রাইম মিনিষ্টরনা থাজবা অসি পীরকখিবনি।

চাইনা ইন্টরনেসনেল দিভলপমেন্ট কোওপরেসন অসিনা হ্যুমেনিটরিয়ান তেঙবাং অদুদা চেঙ, হিদাক লাংথক, প্রদক্সন মেটরিয়েলশিং অমসুং অতৈ ইসেন্সিএল আইটেমশিং য়াওগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

# ন্যুক্লিয়র এক্সিদেন্ট থোকহন্দনবগীদমক আইএইএগী চীফনা লুচিংবা মিশন চরনোবিলদা চৎলগনি



ভিএনা, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী):
মোস্কো-কিভকী লাননা মরম ওইদুনা ন্যুক্লিয়র এক্সিদেন্ট অমা থোরকপা য়াবগী খুদোংথীবা ফিভম লাকহন্দনবা হোৎনবগী থবকশিং কনখৎলদুনা ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সি (আই এ ইএ) গী দিরেক্তর জেনরেল রাফেল গ্রোসিনা লুচিংবা এসিষ্টেন্স মিশন অমা হৌজিক্তি থবক লেপখ্রবা য়ুক্রেনগী চরনোবিল ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্টতা চৎলগনি হায়না ভিএনাদা লৈবা য়ুএন ন্যুক্লিয়র ৱাটচদোক অসিনা লাউথোকখ্রে।

এজেন্সি অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি আইএইএ ন্যুক্লিয়র সেফতি, সেক্যুরিটি অমসুং সেফগার্দ ষ্টাফকী টিম অদু এপ্রিল ২৬ তগী চরনোবিলদা লৈরগনি। মখোয়না সাইট অদুদা মরু ওইবা ইক্বিপমেন্ট থম্বগা লোয়ননা রেদিওলোজিকেল অমসুং অতৈ এসেসমেন্টশিং পাঙথোক্কনি।

সাইট অদু রসিয়ন ফোর্সশিংনা মার্চ ৩১ দা ৱিদ্রো তৌদ্রিঙৈ মমাঙ চয়োল মঙা পায়শিল্লম্বনি।

গ্রোসিগী মতুংদা আইএইএগী টিম্না প্লান্ট অদুদা চৎকদৌরিবা খোঙচৎ অদু য়ুক্রেনবু শৌগৎপা ঐখোয়গী থবক থৌরমশিংগা মরী লৈননা য়াম্না মরু ওইগনি। য়ুক্রেননা প্লান্ট অসিগী রেগুলেটরি কন্ট্রোল নৌহৌননা হিংগৎহন্নবা অমদি প্লান্ট অসিবু সেফ ওইহন্নবা হায়জরকখিবগী মতুং ইন্না খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। মদুগী মতুংদা লাক্লিবা চয়োল খরগী মনুংদা অহেনবা আইএইএগী মিশনশিং সাইট অসিদা অমদি য়ুক্রেনগী অতৈ ন্যুক্লিয়র ফেসিলিটিশিংদা চৎকনি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা হায়, খোঙচৎ অদুদা টিম অদুনা রেদিও ন্যুক্লাইদ আইদেন্টিফিকেসন দিভাইসশিং অমসুং গাম্মাদোস রেট মিটরশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা মখলগী রেদিএসন মোনিটরিং ইক্বিপমেন্ট য়াওবা ওপরেটর ফঙহনগনি।

প্লান্ট অদুদা পার্সনেল প্রোটেক্টিব ইক্বিপমেন্টসু দেলিভর তৌগনি। ঐখোয়গী সাইন্টিফিক মেজরমেন্টশিং অমসুং টেক্নিকেল ইভালুএসনশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ঐখোয়না মফম অদুগী রেদিওলোজিকেলগী ফিভম হেন্না নীংথিনা খঙবা ঙম্লগনি হায়না গ্রোসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

রসিয়ন ফোর্সশিং চরনোবিল প্লান্টতগী ৱিদ্রো তৌখিবদগী য়ুক্রেননা মালেমগী খ্বাইদগী শাথীবা ন্যুক্লিয়র এক্সিদেন্ট থোকখিবা সাইট অসিবু সেফ অমসুং সেক্যুর ওইনা ওপরেট তৌবা য়ানবগীদমক শীংথানিংঙাই ওইবা খোংথাং কয়া লৌখৎখিবনি।

সাইট অসিদা হৌজিক তোঙান তোঙানবা রেদিও এক্তিব ৱেইষ্ট মেনেজমেন্ট ফেসিলিটিশিং লৈরিবনি। আইএইএনা চয়োল অহুমগী মনুংদা অহানবা ওইনা ষ্টাফ রোটেসন পাঙথোকখি।

চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা এজেন্সি অসিনা থা অমা হেন্না লেপ্লুরবা মতুংদা প্লান্ট অসিগা ন্যুক্লিয়র রেগুলেটর অসিগগী মরক্তা দাইরেক্ট কম্যুনিকেসন অমুক হন্না লিংখি।

তৌইগুম্বসুং এক্সক্লুজন জোন হায়না খঙনবা সাইট অদুগী এরিয়াদা হৌজিক লৈরিবা ফিভম খুদোংথীনিংঙাই ওই হায়না লৌবা য়াই। মদু হৌজিক চথরিবা মাইন্দশিং লৌথোকপগী থবক্না মরম ওইদুননি হায়রি।

# লান হৌখিবদগী মীওই মিলিয়ন ১১ হেন্না য়ুক্রেন থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রে: য়ুএন



কিভ, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী):
হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৪ দা রসিয়ানা কিভকী মায়োক্তা লান হৌখিবদগী মীওই মিলিয়ন ১১ হেন্না য়ুক্রেন থাদোক্তুনা চেনখ্রে হায়বসি য়ুএনগী খ্বাইদগী নৌনা ফিগর্সনা উৎলি।

ৱার্ল্ড বোদি অসিনা হায়রি, মদুদি মীওই মিলিয়ন ৫.১ য়ুমথংনবা লৈবাকশিং পাঙখি অমদি অতোপ্পা মীওই মিলিয়ন ৬.৪৮ না লান নঙলবা লৈবাক অসিগী মনুংদা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা মফম মরাং খঙদনা লৈ।

মীওই মিলিয়ন ৫.১ অদুগী মনুংদা পোলেন্দনা রিফ্যুজি ২,৮৬৭.২৪১ দা লৌশিন্দুনা য়ুক্রেনগী রিফ্যুজি মশিং খ্বাইদগী য়াম্না থুংবা লৈবাক ওইরি। য়ুএনগী মতুং ইন্না রিফ্যুজি মশিং খ্বাইদগী য়াম্বা অতৈ লৈবাকশিংবুদি রোমানিয়া (৭৬৯,৬১৬), রসিয়া (৫৭৮,২৮৮), হঙ্গেরি (৪৮০,৯৭৮), মোলদোভা (৪৩০,১৭০), স্লোভাকিয়া (৩৪৯,২৮৬), অমসুং বেলারস (২৩,৯০০) নি।

এপ্রিল ২১ ফাওবদা চেক রিপব্লিক্না য়ুক্রেনিয়ন রিফ্যুজিশিংদা ইম্মর্জেন্সি ভিসা ৩০৪,০৩৯ পীখ্রে।

চৈরকসিদা য়ুএনগী ইন্টরনেসনেল ওর্গনাইজেসন ফোর মাইগ্রেসন (আইওএম) না মার্চ ৯-১৬ গী মরক্তা কন্দক্ট তৌরিবা সর্ভে অমদা নৌনা ময়ুম মকৈ থাদোক্লবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা চাদ ১৩.৫ তি কুমজা ২০১৪-১৫ মনুংদা অসিগুম্বা য়ুম থাদোকপগী অৱাবা অসি থেংনখ্রবশিংনি হায়বসি খঙখি। লাননা মরম ওইদুনা ময়ুম মকৈ লৈহন্দ্রবশিং অদুগী মনুংদা মীওই কয়াদি মশাদা রিস্কশিং লোইনরিবশিং, মীরোনবীশিং, অঙাং চেল্লিবা নুপীশিং, অহল ওইরবা মীওইশিং অমদি হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবশিং, কুম লায়না চেল্লবশিং অমদি ভাইওলেন্সনা হকথেংননা চৈথেং পীরবশিংনি হায়রি।

সর্ভে অদুগী মতুং ইন্না য়ুক্রেন মনুংদা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিং কোইথি থিদুনা লাঞ্জেল্লিবশিং অদুগী মনুংদা চাদ ৫৩ হেন্না নুপীশিংনি অমসুং রিস্ক ৱাংলবা মীওইশিং অসিদা খ্বাইদগী মথৌ তারিবদি হিদাক লাংথকশিং, হেল্‌ঠ সার্ভিসশিং অমসুং শেলগী রিছোর্সশিংনি। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না য়ুক্রেনিয়ন রিফ্যুজিশিংবু হৌজিক্তগী চহী অহুম ফাওবা মেম্বর লৈবাক ২৭ মক্তা চঙজফম লৌদুনা লৈবা অমদি থবক শুবগী ব্লাঙ্কেট রাইট পীরে হায়না লাউথোকখ্রবনি।

য়ুক্রেনিয়ন রিফ্যুজিশিং অসি সোসল ৱেলফ্যেরগী খুদোংচাবশিং ফঙবগা লোয়ননা হাউসিং, মেদিকেল ট্রিটমেন্ট অমসুং স্কুল তম্বগী খুদোংচাবসু ফঙলগনি।

য়ুকে গভর্নমেন্টনা য়ুক্রেনিয়নশিংগী ফেমিলি ভিজা স্কিম অমা লোঞ্চ তৌখিবগা লোয়ননা হোমস ফোর য়ুক্রেন ইনিসিএটিবসু লোঞ্চ তৌখ্রে। থৌরাংশিং অসিগী মখাদা বৃটেনগী মীয়াম্না য়ামদ্রবদা থা তরুক্কী ওইনা রেন্ট ফ্রিদা লৈমিন্নবগীদমক ইন্দিভিজুয়েল নত্ত্রগা ফেমিলি অমা নোমিনেট তৌবা য়াগনি। এপ্রিল ২০ ফাওবদা স্কিম অনী অসিগী খুত্থাংদা ভিজা ৭১,৮০০ ইস্যু তৌখ্রে। থারকখিবা এপ্লিকেসন মশিংনা ১০৭,২০০ নি।

# রসিয়াগী ইনর্জিদা অথিংবা থম্বনা জর্মন ইকনোমিদা চৈথেং চাওনা লৈগনি: বুন্দেসবেঙ্ক




বর্লিন, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী):
করিগুম্বা জর্মনিনা রসিয়াগী মায়োক্তা ইনর্জিগী অথিংবা থল্লিবা অসিদা য়াওশিনবা তারবদি লৈবাক অসিগী ইকনোমিদা অচৌবা চৈথেং অমা ফঙলকপা য়াই হায়না জর্মনিগী সেন্ট্রেল বেঙ্ক দোইটচ বুন্দেসবেঙ্ককী থাগী ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

হেন্না কনশিল্লকপা ক্রাইসিসকী সিনারিও অমদা জর্মনিগী অশেংবা গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জিদিপি) অসি কুমজা ২০২১ গা চাংদম্নবদা চৎলিবা চহী অসিদা চাদ ২ গী মখাগী চাংদা হন্থরক্কনি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

রিপোর্ট অদুনা রসিয়া-য়ুক্রেন কনফ্লিক্ট কনশিল্লকপা মতমদা লাকপা য়াবা শেল থুমগী ফিভমশিং এনালাইসিস তৌরি। লৈবাক অনীগী লান কনশিল্লকপগী ফিভমদা জর্মনিগী অশেংবা জিদিপি অতেনবা মতমগী মনুংদা য়ুরোপিয়ন সেন্ট্রেল বেঙ্ক (ইসিবি) না মার্চতা ফোরকাষ্ট তৌখিবদা হায়খিবদগী চাদ ৫ ফাওবা হন্থরকপা য়াই। ইনফ্লেসনসু অমুক হন্না কা হেন্না হেনগৎলকপা য়াই হায়না রিপোর্ট অদুদা মখা তানা পনখি। জর্মনিগী ইনফ্লেসন রেট অসি কুমজা ২০২২ দা লৈখিবদগী পার্সেন্টেজ পোইন্ট ১.৫ হেনগৎলকপা য়াই অমসুং কুমজা ২০২৩ দনা ইসিবিগী ইষ্টিমেটতগী পার্সেন্টেজ পোইন্ট ২ ফাওবা হেনগৎলকপা য়াই।

বেঙ্ক অসিগী মতুং ইন্না ইনফ্লেসনগী চাং ৱাংলকপগী মরু ওইবা মরমদি য়ুক্রেন অমসুং রসিয়াগী লান কনশিল্লকপা মতমদা ইনর্জিগী মমলশিং কা হেন্না হেনগৎলক্কদবা অসিনি।

অদুম ওইনমক কনফ্লিক্ট অসিগী কমপ্লেক্স ওইবা নেচরনা মরম ওইদুনা রিজল্ট পুম্নমক অসি চপ চানা চুমগনি হায়বদি য়াদ্রি। জর্মনিগী ইনফ্লেসন রেট মার্চ চাদ ৭.৩ য়ৌদুনা চহী ৪০ গী মনুংদা খ্বাইদগী ৱাংবা চাংগী মনুংদা অমা ওই হায়বসি ফেদরেল ষ্টেটিষ্টিকেল ওফিসকী দেটানা উৎখি।

য়ুমদা শীজিন্নবা ইনর্জি অমদি মোটোর ফ্যুএলশিংগী মমল মমাঙগী চহীগা চাংদম্নবদা ৩৯.৫ ফাওবা ৱাংখৎলকখি।

# টর্কিগী ওপরেসনদা ইরাক্তা পিকেকে মেম্বর ৪৫ শিখ্রে



অঙ্করা, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী):
নোর্দন ইরাক্তা টর্কিনা চথরকখিবা অনৌবা গ্রাউন্দ অমসুং এয়র ক্রোস - বোর্দর ওপরেসনদা অথিংবা থমখ্রবা কুর্দিষ্টান ৱার্কর্স পার্টি (পিকেকে) গী মেম্বর ৪৫ শিখ্রে হায়না প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়েপ ইর্দোগাননা ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট অসিগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, ওপরেসন অদুদা টার্কিজ লান্মী অহুমসু শিখি। লমদম অদুদা লৈরিবা মিলিটেন্টশিংগী লোৎফমশিং ওইরিবা শুরুংশিং অমসুং অতৈ মরু ওইবা টার্গেটশিং থুগায়বগী থবক হৌজিক লেপ্তুনা চথুরি।

ওপরেসন অদু মীশি মীনা য়ারিমখৈ মশিং য়াম্না থোকহন্দনা মায় পাক্না লোইশিল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না ইর্দোগাননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা টর্কিজ মিলিটরিনা পিকেকেগী সেল্টরশিং, শুরুংশিং, কোমশাংশিং অমসুং এম্যুনেসন দিপো য়াওনা নোর্দন ইরাক্তা লৈরিবা গ্রুপ অসিগী মায়োক্তা ক্লো-লোক হায়না মিংথোনবা ওপরেসন অমা লোঞ্চ তৌখি।

পিকেকেনা টর্কিদা পাক শন্না এটেক্ট অমা চথুনবা থৌরাং তৌরি হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ক্লেম তৌখিবা মতুংদা ওপরেসন অদু লোঞ্চ তৌখিবনি।

পনবা য়াবদি, চয়োল অসিদা টর্কিদা বস অমদা বোম পোকখায়খিবদা মীওই অমা শিখিবনি।

ADMISSION OPEN
FOR THE FOLLOWING COURSES
1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)
**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.
FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com
PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
HL-B/7616/22/4-20/5 (alt) KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL

POST VACANCY

| Sl.No. | Post | Qualification | Salary | No. of Post |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Manager | Graduation | 11K | 02 |
| 2 | B.Do | 10+2 above | 8.5K | 10 |
| 3 | Cashier | Graduate | 8.7K | 04 |
| 4 | L.O | 10+2 above | 7.5K | 10 |
| 5 | R.O | 10+2 above | 7.3K | 10 |
| 6 | Scheme/Manager | 10+2 above | 8K | 10 |

Last Date of Form Submission : 29-04-2022
Date of Interview : Thoubal Branch Heirok : 01-05-2022, Hiyangthang Branch : 02-05-2022, Time : 10:30 a.m.
Please Contact us : 8837235192, 7005845364, 7641033066 (Office hours)
Sana Micro Finance : Regd. No. 1379 (CE) of 2019
HL-P/2339/24